# কুমজা ২০০৩দগী লেপ্তুনা শান্নজরকপগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা ঐহাক্না ইন্টর্নেসনল থাক্কী তোঙান-তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ ১৩দা শরুক য়াজখ্রে



ইরোম প্রমেশ্বরী
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

(ঙরাংগী মখা)

ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইবগী অশেংবা মশক অমা ঐহাক্না শেন্বা ঙমজরকখিবা অসিদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্দা শান্নজরকপদগীনি। হান্না মমিং লৈনা শান্নবীরম্বা ইচেশিংগী মতৌ কন্না তমজরকপসিসু কুমজা ২০০৩দগী হৌজরকখি। ইচে ময়ামগী ফজ-ফজবা ষ্টাইল পূম্নমক তম্ননবা হোৎনবদা লন্নাই ওইনসু অদুম হোৎনজরকখি। ঐহাক্না ফজে খঞ্জবা মওং মতৌ পূম্নমক তমদুনসু লাকচখি। সিনিয়র ইচেশিংনসু নৌনা শান্নজরকপা ঐখোয়দা মখোয়না হৈবশিংদু ফজনা তাকপীরকখি।

কুমজা ২০০৩/২০০৪গী মতমদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজ খিবসি চাং নাইনা কোচ নাইদুনা ত্রেনিং তৌবা ফংজখিবা অদুনি। হৈনীংলকপা মতাংদুদা লৈখিদ্রবা ওজা রতন কবুইনা মমুৎ তানা তন্বীখিবশিংদু ঙসি ফাওবা অদুম নীংশিংলি। ঐগী অহানবা থেংনখিবা কোচসু ওজা রতন কবুইনি। খঙদবা অমা হংবদসু মহাক্তিঃ য়াম্না লায়বা মওংদা নুংঙাইনা তাকপীরকখি। অদুগা ষ্টেট টিমদা য়াওবা ঙমজরকপদগীদি ফুটবোলগী কোচ অয়াম্বদগী ত্রেনিং ফংজরকখি। ওজা লোকেশ্বরী, ইচে বেমবেম ওজা একেন্দ্রা, মিস সুরমালা, ওজা প্রেমকান্ত, ওজা মনিরতন ঐখোয়বু ফুটবোল হৈননবা তাকপী-তন্বীরকখিবা ওজা ঙাক্তনি।

> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
> ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

অমরোমদা, নেসনলগী শান্নবা চৎপা অসিসু কুমজা ২০০৩দগীদি অদুম লেপ্তুনা মথং মথং চৎপা ঙম্লকখ্রে। সব জুনিয়রদগী জুনিয়র, সিনিয়রসিসু কায়দনা য়াওবা ঙমজরকখ্রে। কুমজা ২০০৪দা টামিল নাদুগী দিনদিগ্রন্দা পাঙথোকখিবা সব জুনিয়র অন্দর-১৭কী চেম্পিয়নশিপ অদুদসু ঐহাক ষ্ট্রাইকর ওইনা শরুক য়াজরকখি। লোয়ননা মদুদসু ৱিন্নর ওইজরকখি।

কুমজা ২০০৫গী নবেম্বর ৬তগী ১০ ফাওবা গোৱাদা তৌখিবা ৫১শুবা নেসনল স্কুল গেমস অন্দর-১৯দসু মণিপুরগী স্কুল টিম্না ৱিন্নর লৌজরকখি। শান্নবা হেক হৌজরকপদগী সব জুনিয়রদগী হৌরগা সিনিয়র লেভেল ফাওবসিদা অয়াম্বা মতমদা চেম্পিয়ন তারকখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ওর্গনাইজ তৌদুনা পাঙথোকখিবা নেসনল গর্লস ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অন্দর-১৯দসু মণিপুর টিম্না ইতৎ তত্তনা ৱিন্নর ট্রোফি লৌরগা লাকচখি। অদুগা, ঐগী ওইনা ইন্টরনেসনল থাক্তা শান্নজবা অসিসু কুমজা ২০০৬তগী ঙম্লকখ্রে। ঐনা অহানবা ইন্টরনেসনল শান্নবা চৎচরকখিবসি কুমজা ২০০৬তা ক্বালা লম্পুরদা তৌখিবা এ এফ সী অন্দর-১৯ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিদনি। কুমজা ২০০৭তসু ঐহাক হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। চহী অনীসিদা ঐখোয় করিমত্তা লৌরকপদি ঙম্লকখিদে।



অমরোমদা, ঐহাকসি ষ্টেট টিমগী ওইনদি ষ্ট্রাইকর নৎত্রগা রাইট ৱিং শান্নজরগা অদুম লাকচখি। অদুবু নেসনল টিমদা য়াওদুনা ইন্টরনেসনলগী শান্নবা চৎচরকপা মতমদদি দিফেন্স ওইনা শান্নহল্লকখি। কুমজা ২০০৬তগী হৌরগা ইন্টরনেসনল থাক্কী তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন গেমস অমা য়াওনা পূন্না ১৩ দসু শরুক য়াজখ্রে।

অদুগা, ঐনা হেক শান্নজরকপদা, নেসনল গেমস কুম্বসিদদি মণিপুর টিমসি ফাইনেলদা চোপ্পা, ইকায়বা অনীরক নংখ্রে। ৱিন্নর শোয়দনা লৌগনি খল্লগা রন্নর্স-অপ তারগা হল্লকপা অনীরক য়াওখি। কুমজা ২০০৭তা গুৱাহাটিদা তৌখিবা নেসনল গেমস অদুদসু ঐখোয় রন্নর্স-অপ তারকখি। হেক থংনবা কুমজা ২০১১দা তৌখিবা ঝরখণ্ড নেসনল গেমসতসু রন্নর্স-অপকী মনা পুরগা হল্লকখি। অদুবু কুমজা ২০১৫দা কেরলাদা তৌখিবা নেসনল গেমসতদি ঐখোয়না কেরলা থোইরগা ৱিন্নর ওইবা ঙম্লকখি। মদুসু য়াম্না ৱানা ৱিন্নর লৌরকপা হায়বদু ওইখি। অহানবা মিনট ৯০ শান্নবদা থোইনবা ঙম্নখিদে। অদুদগী মিনট ১৫/১৫ অমুক হাপ্লগা শান্নবদসু দ্রোদা অদুম লৈখি। মমৈদা পেনালটি কাওনরগা লাইবক লেপ্পবা তাখি। উচিন-নাচিন্না কুমজা ২০১৫সিদদি ঐখোয় মায় পাক্লগা হল্লকখি। মদুগী থোইদোক্লা লাইবক ফবা অমনা ঐখোয় ৱিন্নর টিম, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা থবক চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংজখি। অসুম্না কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী মঙাদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা পি ঈ টি ওইনা থবক চঙজরকখি।

...মথং মথং...



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিক চাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিক্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্লরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

---

ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এ তোম্বা মেমোরিএল সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০

## এস এফ সী অমসুং জিতেন এফ সী মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস):

কমাখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাংনা শীন্দুনা ক্লব অসিমক্কী গ্রাউন্দদা চথরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেবেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা খৌপুম এফ সী, কে ৱাই পি সী ককয়াই, জিতেন এফ সী মায় পাকখ্রে। এম এম এফ সী উৎলৌ অমদি বোনি এফ সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা খৌপুম এফ সীনা এস এফ সী নরানকোঞ্জিনবু পাঞ্জল ৭-২দা থোইখি। অনীশুবা মেচতা জিতেন এফ সীনা এস দল্লীয়ু সী হিয়াংথাংবা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

এম এম সী উৎলৌগা বোদি এফ সীগা লম্বা তৌনখিবা মেচতা এম এম সী উৎলৌ অমদি বোনি এফ সী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। অদুগা কে ৱাই পি সী ককয়াইসু মায় পাকপা ঙমখি।

---

৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

## ধনবির এফ সীনা অমর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে, অথৌবা এফ সী অমদি য়াঙ্গোই এফ সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস):

জেক এফ সী অংথানা শীন্দুনা এল ৱাই সী শান্নবুঙদা চথরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লীগ লেভেল ভিল্লেজ ওপন মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ধনবির এফ সীনা অমর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে। অথৌবা এফ সী অমদি য়ঙ্গোই এফ সী পাঞ্জল ৪-৪দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ধনবির এফ সী অমসুং অমর এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ধনরিব এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অদুগা অমর এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা মখোয়বু ধনবির এফ সীনা পাঞ্জল ০-৩দা মায়থীবা নংখি। অতোপ্পা অমদা অথৌবা এফ সী অমসুং য়াঙ্গোই এফ সী পাঞ্জল ৪/৪ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

---

## হায়দরবাদ এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ১০ য়ৌবা ঙমখ্রে

Match on 21 Feb. (Fri) 2020
MUMBAI Vs CHENNAIYIN



গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ২০(এজেন্সী):

ঙসি অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা য়ুম্ফু ওইদুনা হায়দরবাদ এফ সীগা লম্বা তৌনখিবা মেচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ য়াম্না শোত্থনা পাঞ্জল ১-৫দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী মেচ ১৬ শান্নবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা টিম ১০গী লম্বা অসিদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। টিম অসিগা হায়দরবাদ এফ সীগা ঙসি লম্বা তৌনখিবা মেচ অদুদা য়ুম্ফু ওইখিবা হায়দরবাদ এফ সীনা হৌবদগী খুদুম চনবা ঙমখি।

মেচকী অহানবা হাফ অদুগী ১৩শুবা মিনটতা কোরোলাকোনা হায়দরবাদ এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মহাক্কী মতুং মিনট ২ লৈরগা টিমমেট মার্সেলিনোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু হায়দরবাদ এফসীনা ঙন্না পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী এম সাবিসনা পীরকপা বোল অমদা এ কিওগনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইরমদাই অদুদা পাঞ্জল ১-২দা শোত্থখি।

অহানবা হায় লোইশল্লমদাই মিনট ১০দা হায়দরবাদ এফ সী এল কোলাকোনা ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু হায়দরবাদনা পাঞ্জল ৩-১দা মাংজিল থাখি।

অহানবা হাফ অদু হায়দরবাদ এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মাংজিল থারবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ হায়দরবাদ এফ সীগী এম য়াসিরনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইদেট এফ সীবু মখোয়না পাঞ্জল ৪-১দা হেন্দুনা লৈখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ মেচ লোইগদবা মিনট ২ ৱাৎলিঙৈ হায়দরবাদকী মায়কৈদগী মার্সেলোনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৫-১দা মেচ অদু থোইখি।

---

## মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা ঙসিদগী হৌগদবা টি-২০ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগা অহানবা মেচ শান্নরগনি



সিদনি, ফেব্রুৱারী ২০(এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা নুপীগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অহানবা মেচতা টিম অদুনা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইখিবা অদু মখা তানা টাইটল লৌবা ঙম্নবগীদমক অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

টি-২০ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী মকোক থোংবা টিম ১০না গ্রুপ ২দা টিম ৫/৫গী ওইবা লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ এদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা ইন্দিয়া, বংলাদেশ, ন্যু জিলেন্দ অমসুং শ্রি লানকাগী টিম য়াওরি। গ্রুপ বিদা ইংলেন্দ, পাকিস্তান, সাউথ অফ্রিকা, ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং থাইলেন্দগী টিমগা লম্বা তৌনগদৌরি।

নুপীগী ক্রিকেটকী লমদা য়াম্না মমিং লৈবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনগী ওইনা হয়েংদগী ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াগা টুর্নামেন্টকী অহানবা মেচ অদু গ্রুপ এগী ওইনা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসিনা তাঙ্কক কয়াদা ফজবা লৈখ্রবসু আই সী সী ট্রোফি অমদি টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী টাইটল ফংদনা লাকখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ফজবা পর্ফোমেন্স কয়া উৎপা ঙমখ্রবসু মরু ওইবা তাঙ্কক্তা খুদোংচাবা লৈরম্বদগী চেকশিনবা ৱাৎপা অমদি অশোইবা খরগী মরম্না টাইটল লৌবা ঙমদনা লাকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা নুপীগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টাইটল ৪রক লৌবা ঙমখ্রবনি। টিম অদুনা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকখিবা টাইটল অনী লৌবা ঙমহৌদবা অদুনা মখোয়গী মায়কৈদগী হয়েং ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা অহৌবা ৱর্ল্ড কপকী মেচ অদুদা মায় পাকপা মেচ অমা ওইদুনা কেম্পেইন হৌদোকপা পাম্লি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিংগা লোয়ননা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী অপুনবা অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থীবা পীননবা চপ চাবা লালোং শিনবা লোইখি হায়না টিম অদুগী মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

---

## সাইনা নেহৱাল অমসুং অজয় জয়ারাম বর্সেলোনা স্পেন মাষ্টর্স সিঙ্গলকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



বর্সেলোনা, ফেব্রুৱারী ২০(এজেন্সী):

য়ু এস দোল্লর ১৭০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বর্সেলোনা স্পেন মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না লোয়ননা নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অজয় জয়রামসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ মেচ অমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় মারিয়া উতিলিনাগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-১০, ২১-১৯দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা নেহৱালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্ক্কী জে দি জেকোবসেনবু ২১-৯, ২১-১১দা মায়থীবা পীরম্বী ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী থাইলেন্দগী বি ওংবামরুংফানগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৩শুবা সিদেদ ওইখিবা কিদম্বী শ্রিকান্তপু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অজয় জয়রামনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৬, ২১-১৭দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা ২০-২২, ২১-১৬, ২১-১৩দা মায় পাকপা ঙমখ্রবা টি রোজেলগা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়াগী সমির বর্ম্মনা জর্মনিগী স্কাফরবু থোইদুনা মহাকপু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

---

## সি আর এস আই দি এপ্রুভ তৌরবা প্লেয়র ৫/৫ থাগৎনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনন খুৎশম্ন দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০২০গী চহী ১৭ মখাগী নুপামচাশিংগী ওইবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌরবা ক্লবশিংদগী সি আর এস আই দি এপ্রুভ তৌরবা শান্নরোয় ৫/৬ থা অসিগী ২২ অমদি ২৩গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক আর্টিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা য়ৌহল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

---

এ দি সী চান্দেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

## খোংজোন ৱাই সীনা হৈবুংলোক ৱাই সী সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা টিম ১৬না পুল ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা লিৱা সারৈ ভিল্লেজগী শান্নবুঙদা চথরিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা খোংজোন ৱাই সীনা হৈবুংলোক ৱাই সী সীবু থোইখি। অদুগা চান্দেল খুলেন ৱাই অমসুং চান্দেল খৃষ্টেন ৱাই সী দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা চান্দেল খুলেন ৱাই সী অমদি চান্দেল খৃষ্টন ৱাই সী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি। অদুগা খোংজোন ৱাই সীনা হৈবুংলোক ৱাই সী সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

---

## ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর দিবিয়া কাক্রননা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ফংখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২০(এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর দিবিয়া কক্রননা গোল্ড মেদল লৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী ২শুবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা রেষ্টলর ওইখ্রে।

দিবিয়া কাক্রননা নুপীগী কিলোগ্রাম ৬৮গী কেটগরিদা রেষ্টল ৫ লৈবা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা লম্বা তৌনখিবা কম্পিটিসনদা বাউট ৪ মায় পাক্লবা মতুং ফাইনেল রাউন্দদা জপানগী রেষ্টলর নারুহ্ মাটসু য়ুকিবু মায়থীবা পীরগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুনা চাইনাগী রেষ্টলর লাকখিদবা অমদি জপানগী মায়কৈদগী মকোক থোংবা রেষ্টলরশিং য়াওখিদবা মরম্না ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিবিয়া কক্রননা খুদোংচাবা কয়া লৌবা ঙমখি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা কজাকস্তানগী অলবিনাবু মায়থীবা পীরমা মতুং মোঙ্গোলিয়াগী দিলজামাবু থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দদা উজবেকিস্তানগী রেষ্টলর এজোদা এজবরজেনোভাবু মায়থীবা পীরবা মতুং জপানগী রেষ্টলর নারুহা মাটসু য়ুকিবু কিলোগ্রাম ৬৮গী ফাইনেল বাউটতা মায়থীবা পীদুনা কেটগরি অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।